ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯅꯣꯚꯦꯝꯕꯔ ꯲꯶, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯳꯸ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, নবেম্বর ২৬, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ২৩৮শুবা মশীং

# মণিপুরদা টুরিষ্ট লাকপগী চাং হেনগৎলকপা

## টুরিজম ইন্দষ্ট্রিবু শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবগী পাম্বে ওইনা শীজিন্নহন্নীংই

মণিপুরদা চহী ৬০ রোম চৎনরক্লবা প্রোটেক্টেদ এরিয়া পর্মিট (পি এ পি) হোম মিনিষ্ট্রিনা হৌখিবা কুমজা ২০১৮গী এপ্রিল ১দগী হৌরগা চহী ৫গী ওইনা লৌথোকখ্রে। প্রোটেক্টেদ এরিয়া পর্মিট অসি লৌথোকখ্রবা মতুংদগীদি হৌখিবা চহী অমা মখায়রোম অসিদা লমদম অসিদা ফোরেন টুরিষ্ট লাকপগী চাং খংহেন হেনগৎলক্লি। পি এ পি চৎনরিঙৈ মতমদা মীরৈবাক মচা অমনা ষ্টেট অসিদা লমকোয়বা লাক্কে হায়রবদি লৈঙাক্কী অয়াবা লৌদুনা স্পেসল পর্মিট অমা পায়দ্রবদি চঙহল্লমদবনি। কুমজা ২০১৮গী মমাঙদা চহী ১দা ফোরেন টুরিষ্ট ৪০০০ য়ৌনা ষ্টেট অসিদা অমুক্তা লাকখিদ্রি। টুরিজম দিপার্টমেন্টতগী ফংবা দাটা অমগী মতুংইন্না কুমজা ২০০৮গী এপ্রিল থাদগীনা কুমজা ২০০৯গী মার্চ থা ফাওবদা ফোরেন টুরিষ্ট ২৭১ অমসুং দোমেষ্টিক টুরিষ্ট ১,১৫,৩০০ মণিপুরদা লাকখি। মসিগী মতুং কুমজা ২০০৯-১০ দা ফোরেন টুরিষ্ট ৪০৫ অমসুং দোমেষ্টিক টুরিষ্ট ১,২৭,৫২৬; কুমজা ২০১০-১১দা ফোরেন টুরিষ্ট ৪৩১ অমসুং দোমেষ্টিক টুরিষ্টনা ১,১৬,৬৫২; কুমজা ২০১১-১২দনা ফোরেন টুরিষ্ট ৬০২ অমসুং দোমেষ্টিক টুরিষ্ট ১,৩৩,২২৫; কুমজা ২০১২-১৩ দনা ফোরেন টুরিষ্ট ৭৬৮ অমসুং দোমেষ্টিক টুরিষ্ট ১,৩১,৮০৩ লাকখি। অদুবু কুমজা ২০১৩-১৪ দগীদি অচৌবা অহোংবা অমা লাক্তুনা মণিপুরদা ফোরেন টুরিষ্ট ২৫৮৮ অমদি দোমেষ্টিক টুরিষ্ট ১,৪৩,০৫৯ লমকোয়বা লাকখি। কুমজা ২০১৪-১৫দনা ফোরেন টুরিষ্ট ২,৯০০ অমদি দোমেষ্টিক টুরিষ্ট ১,৩৪,৫৮৪; কুমজা ২০১৫-১৬ তনা ফোরেন টুরিষ্ট ৩,১০২ অমসুং দোমেষ্টিক টুরিষ্ট ১,৩২,০১০ লাকখি। কুমজা ২০১৬-১৭ তনা ফোরেন টুরিষ্ট ৩,০৩৬ অমসুং দোমেষ্টিক টুরিষ্ট ১,৪৫,৬৮৫ লাকখিবনা মণিপুরদা ফোরেন টুরিষ্ট লাকপগী চাং হন্থরকখি। অদুবু কুমজা ২০১৭-১৮ দনা অমুক ফোরেন টুরিষ্ট লাকপগী চাং হান্নদগী হেনগৎলকখি। চহী অসিদনা ফোরেন টুরিষ্ট ৩,৭৮৭ অমসুং দোমেষ্টিক টুরিষ্ট ১,৬৪,৪৮৩ মণিপুরদা লমকোয়বা লাকখি। অদুগা কুমজা ২০১৮গী এপ্রিল থাদগী কুমজা ২০১৯গী সেপ্টেম্বর থা ফাওবদা পূন্না ফোরেন টুরিষ্ট ৯৭৪৮ অমসুং দোমেষ্টিক টুরিষ্ট ২০,০০,০০০গী মথক্তা মণিপুরদা লমকোয়বা লাকখ্রে হায়না টুরিজম দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট অমনা হায়রি। চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননসু ঙরাং সঙাই ফেষ্টিবেল ২০১৯ হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুরদা টুরিষ্ট লাকপগী চাং য়াম্না হেনগৎলক্লে। ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দর ফীভম ফৎত্রবদি টুরিষ্টশিং মণিপুরদা লাক্লিংলোই। নিটি আয়োগকী মখাদা মণিপুরগী তামৈ অমসুং তেংনৌপলদা টুরিষ্ট স্পোট অনী শেমগৎননবা ৱাফম সেন্টরদা থমখ্রে হায়না ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রে।

মণিপুরদা ফোরেন টুরিষ্ট অমদি দোমেষ্টিক টুরিষ্ট লাকপগী চাং য়াম্না হেনগৎলক্লে হায়রিবা অসি অফবা খূদমনি হায়না লৌবা য়াই। চীংনা কোয়শিল্লগা ময়োল লমদমদগী লাপথোক্তুনা লৈরিবা লমদম অসিবু টুরিষ্টশিংনা খ্বাইদগী পাম্নবা লমথুংফম ওইহন্ননবা ঐখোয় পূন্নমক্না হোৎনমিন্নবা মথৌ তাই। টুরিষ্টশিংনা লমদম অসিদা লাক্ননবা হোৎনবদা খ্বাইদগী মরু ওইরিবা অসি কনেক্টিভিটিনি। মরম অসিনা লমদম অসিগী লম্বী-থোং য়াওনা তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগা ফাওনবা ফ্লাইট সর্ভিস কয়া হৌদোকপগী তঙাইফদবসু লৈরি। ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসিগী য়েংলগা খন্নবা য়ারিবা ৱাফমদি টুরিজম ইন্দষ্ট্রিনা মণিপুরগী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্ননবগী মতাংদনি। মালেমদা লমকোয়বশিংনা মরুওইবা লমথুংফম অমা ওইনা লৌনরিবা স্বিজরলেন্দদা টুরিজম ইন্দষ্ট্রিবু শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবগী মরুওইবা পাম্বে অমা ওইনা শীজিন্নরি। মতৌ অসিগুম্না খা-এসিয়াগী বেঙ্কোক্তসু টুরিজম ইন্দষ্ট্রিবু শেন্মীৎলোনগী য়াম্না মরুওইবা পাম্বে অমা ওইনা লৌরি। হায়রিবা লৈবাক অসিদা পোথোকসু মরাং কায়না পুথোকপা নত্তে। অদুবু টুরিজম ইন্দষ্ট্রিনা মরম ওইরগা বেঙ্কোক্তা চহী খূদিংগী য়াল্লবা শেনফম অমা লাক্লে। মণিপুরগী টুরিজমসু চাওখৎহনবা মতমদা লমদমসিদা লৈরিবা মীওই কয়াবু হিংজনবগী লম্বী হেন্না মপূং ফানা পীবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ। পূন্নমক অসি য়েংলুরগদি টুরিজম ইন্দষ্ট্রিবু মণিপুরগী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবগী পাম্বে অমা ওইনা শীজিন্নহন্নীংই।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### নাকল অনীগী কাইনদনবা শিনবীরো

ইকাই খুম্নজরিবা এদিতর,

হৌখিবা থৌদোক্লা খুদম চাংদম ওইদুনা নীংশিংবা য়াবদি- চহী তরেৎ খুন্তাকপা, বৃটিশকী অকনবা লানফম, খোংজোম লান অমসুং মর্জর এগ্রীমেন্ট, হৌজিক থেংনরিবা গ্রেটর নাগালেন্দ (নাগা এগ্রীমেন্ট), সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল, ভোট্টর আইদেন্টিফিকেসন, অতৈ অতৈ অমসুং নাগাগী ৱারীনা মণিপুরগী শক্তম কায়গদ্রা চিংনবা/নাগা পিছ টোক্না মরম ওইদুনা মণিপুর অরুবা ফীভমদা লাক্কদ্রা চিংনবনা মসিগী মায়োক্তা ঈহৌ কয়া চংশিল্লি। মীয়ামদা নুংগী ৱারোল তাকথোক্তবা, অদুগীসু মথক্তা অরেপ্পা লৈতনা পেরা মিলিটরি ফোর্স ময়াম অমা ষ্টেটকী অয়াবা য়াওদনা সেন্টরনা থাজিল্লকপা অসিনা করম্বা ৱাহন্থোকনো? নোংমা নোংমগী ঈশিং ঈচাওগী মতৌগুম্না মতম মতমগী লোইবা খন্বা নাইদনা চংশিল্লকপা ময়াম অসিনা করি ওইরক্কনি খনবদা চিংনবা কয়ামরুম পোকহল্লে। ঈং-তপ্পা, তংদু লৈতানা লৈনবা ঙম্নদ্রে, মায়কৈ শিনবা থুংনা ঈহৌনা লাঙ্গোই চল্লক্লে। ইপা ইপুশিংনা চেকশিন্না য়াম্না ৱানা ঙাক শেন্দুনা থম্বীরম্বা ইরমদমসে অঙম্বশিংনা মমাঙদসু অরেম্বদা মীঙোন্দা পীথোকখিবা, পুকচেল চাউবনরা নৎত্রগা কিবনরা, পংবনরা, চনিং তানা লৈজবা ফংদ্রবা ইরমদম হায়রু-পল্লুদুনা কান্নবা নৎত্রে। হৌখিবা জুন ১৮ নীংশিংলুবদা অকি-তুজুং ফাওরবা মতম ওইরি। ৱারী শানবা লোইদুনা নাগা এগ্রীমেন্টকী নুংগী ওইবা ৱারোল অশেংবা তাকথোক্তবা অসিনা করম্বা মখলগী পোলিসিনো ? অরৈ লৈত তাথোক-তাশিন তৌনবা, অচুম্বা ঙাঙবা, শেঞ্জা থুমজা লৈতবা, মতেং-ইতেং পীনবা হায়বদু করম্বা মতমদা ওইগদগে খনবদা ৱাখলনা লাম্বা ফংদ্রবা মতম ওইরে ইরমদমসি। মীপূম খুদিং মীপাইদুনা তূম্বা-চাবা-থকপা খঙদনা মায়োক্লরি ঙসিগী খুন্নাই অসিদা থেংনরিবা ঈহৌশিং। চহী কয়া চংনা তাল্লিবা দাবী পুকচেল চাউরবশিংনা মশাগী মপোৎ নত্তবনা মীগী মপোৎ মুন্দুনা পীখিগদ্রা খন্দুনা মফম খুদিং ঈহৌনা থল্লে। অঙম্বনা মুন্না ৱাখল খন্থবীরগা তুং কোইনা চৎনবা য়াবা, অচান মীরাই নাইদবা, নাকল অনীগী কাইনদনবা শিনবীরো।

অদোমগী - অথোকপম তোম্বা, ৱাংখৈ য়োংলাল লৈরক

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৮

১। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা লমদমসিগী শাংলবা নীংতম্বগী পুৱারীদু থূপচিল্লগা 'পার্ট সি ষ্টেট' অমা ওইনা চীফ কম্মিস্নর অমগী লৈঙাক্তগী নৌনা হৌবা তাখি। কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দগী।
(ক) ওক্টোবর ১৫দুগী মমাঙদা ওইরম্বা নীংতম্বা মণিপুরগী ইলেক্তেদ, অহানবা অমসুং অরোইবা চীফ মিনিষ্টরদু কনানো?
(খ) অদুগা ওক্টোবর ১৫দগী ওক্টোবর ১৮ ফাওবা নুমিৎ ৪নিগী চীফ কম্মিস্নর ওইরম্বা মীশক্তুনা কনানো?

২। "মীয়ামগী ফনবা অমদি নুংঙাইনবা অঙৌবা তাৎ মচা কয়া মফম মতম চানা শীজিন্নবদি কবি, উপন্যাসকার, ৱারী মখল মথেল ইবশিংনি।" ৱাফমসি 'পুন্সিদা তাৎ মচাই চন্নফম' হায়বা ৱারেংদুদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

৩। "ঐগী মল্লবা পুন্সিগী অরোইবা অহিং - অনৌবা অয়ূকপু লাকখিদ্রা? অদুবু, অহিংনা নোংঙানবা ঙাইরি।" পরেং অসিনা 'অতিথি অমগী অহিং' কৌবা উপন্যাস অদুগী অরোইবা পরেংনি। অইবদু কনানো?

৪। "চীং নঙ/খূৎ য়াওরুনু/তুমিন্না ফম্মু/লেমজবগী হৌনশা।" পরেংশিং অসিনা অইবী অখোম য়ান্দিবালাগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "নুংশিদরা য়েংঙু/উচানগী মৈরা/কপ্পিংদরা নঙবু উরগা তোয়না।" পরেং অনী অসিনা মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মৈতৈ নুপীনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তা লায়চুরকপা

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৫৮১**

**জিতেন নামৈরাকপম**



মৈতৈ নুপীগী থৌনা লিংজেল অঙকপনি। ইথক্তনা পংহায় হায়জিনবগী ৱাসু নৎচদে, মীয়াম্না হেন্না খঙনরবনি, মালেম থুংনা শিনখ্রবনি। নুপী লান্দগী হৌরগা হৌজিক কুমজা ২০১৯ লোইরমদাইসি ফাওবদা ঐখোয়গী মৈতৈ নুপীশিংনা লৌরিবা থৌদাং, মখোয়না মীয়ামগীদমক কৎথোক্লিবশিং ঙসিগী তেল্লবা কোলম অসিদা ইবদবু চল্লরোই। কুমজা ১৯০৫/১৯৩৯গী নুপী লান হৌজিকসু মীয়াম্না নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লরি। মণিপুরদা পুথোকপা হাওরবা মৈতৈ চেঙ মপান লমগী মমিৎ লাউবা, মনাতোন শাংবা কাঙবুদা পীখিবা, য়োনখিবা য়ারোই হায়বগী খোঙজংদা লানগা মান্নবা থৌদোক থোকখি। মৈ থাখিবগী মতাংদুসুনি। তশেংনা হায়রগদি থৌদোকশিং অদু পাজরুবদা, নৈনজরুবদা লান মক্তি নত্তে। এজিটেসন, প্রোটেষ্ট মীয়ামগী পেন্দবা, য়ানীংদবগী খোল্লাউনি। লান হায়রগদি ইংরাজিদা বেট্টল নৎত্রগা ৱার হায়না খঙনৈ। অঙম অঙম্বা, অউ-অউবা হাত্তোক্লবিনি। বেট্টল হায়রগা লান মচা অমা, মফম অমদা য়েক্নবা অনী ওইরো, অহুম ওইরো হাৎতোক্লবিনি। অদুগা ৱার হায়রগনা সেরিজ ওফ বেট্টলনি। লানসি মখা অদুম চথবগী ৱানি। অসুম্মাইনা ইরকই হায়দুনা ইমা ইবেলশিংনা অমুক শেংদোকউ কায়দনা কৌরক্কদৌরিবা জাৎলা? মণিপুরসি পংকিদা কিজবা ফাওরকই। ইমা ইবেলশিংনা নচা নৎত্রগা নশুবু ঙাকপীগনি।

মৈতৈ নুপীগী থৌনা, লিংজেল ইরুবদা লোইবা খন্বা নাইররোই। য়েংসি, লাইরিক হৈবদা নুপীতনা মাঙজিল থারি। ক্লাস টেন, টুয়েল্বকী রিজল্ট লাউথোকপদসু নুপী ঙাক্তনা টোপ্পর ওইদুনা লৈরি। আই এস, আই পি এস মণিপুরী নুপী কয়া অমা পুথোকখ্রে। ডোক্তর, এঞ্জিনিয়র নৎত্রগা উকিলবু ওইরো, এম পি এস সীনা লৌবা এস দি ও, এস দি সিগী মথক্তা দি সী ফাওবা মৈতৈ নুপীগী মশীং অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে। অমুকসু মৈরা পায়বী নুপী, নিশা বন্দ নুপী, পাৎতা কুমদুনা ঙা ফারিবা, লোক্তাক পাৎতা মনা-মশিং হেল্লিবা, শিন্মী ওইরিবা, জুগালি ওইরিবা নুপীগী হুমাংমলতনা শেল তানবা নুপী মশীং থিঙমদ্রে। শোমদনা মাগী মাগী নুপানা ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নদুনা, য়ু ঙাওদুনা, ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তা লুপ্পুনা লৈবা কোঙ্গায়নি। অমুক্তসু হন্না য়েংসি ঐখোয় মৈতৈ নুপাশিং অসি নুপীদা মপান তাংদুনা হিংবদৌনা তৌখৎলক্লি। ইমা কৈথেল, নুপী ঙাক্তা ফমগনি, য়োনগনি মনা-মশিং, ঙা-চাক। মদুদগী ফংলকপা শেল খরদুনা ইমুংগী চান থক্লবা ঙাচেৎ-ঙাথুম পুগনি। হায়জরিবসি ইমুং খুদিংমক্তদি নৎচদেকো। মশীং অসি অসুম হেনগৎলকপগী ৱানি।

সিটেসচন্দ্র দাস, বেঙ্গলী অহলনি। এদ্যুকেসন (য়ু) দা এসিষ্টেন্ট দিরেক্টররা এদিসনেল্লা কৈনোমদি ওইরম্বনি। পাবুং অহলদু হৌজিক্তি হিংলমগনি থাজদ্রে। মানা হায়রম্মী - মৈতৈ নুপী, অঙকপনি মখোয়মুক থৌনা ফবা মালেমদা লৈতে। য়েংঙু, কৈথেল ফম্মে নুপী, থবক শূরে নুপী, ঈরাং অমা থোরক্লে নুপী, নুপীশিংখক্তদা নখোয়না ইনশিল্লিবসি করিগীনো? নুপা নুপানা য়ূমদা নৎত্রগা মফম অমদা লোত্তুনা লৈরে। মালেমগী মফম কয়া অমদা ঐহাক চৎলুরে, কোয়রুরে। অদুবু নুপীদা অসুক য়াম্না থৌদাং শিন্নবসি অমুক্তা থেংনরকখিদ্রি।" সিটেসচন্দ্র দাসনা হায়রম্বা ৱাহৈশিংদু ইংরাজি ঙাক্তনি। মহাক মৈতৈ লোন থোক্তে । মরক মরক্তবুদি মৈতৈলোন থেৎচিল্লকখি। য়াম্না নুংশিবা ওজানি। ঐগী য়ূমগী থৌদোক ৱাথোক খরদা মদুসু উৎসবকুম্বা, মঙানি চাক্লৌবগুম্বদা ঐনা মাবু লৌরুই, থিল্লুই। মদুসু পাওনা বজারদনি। উষা হোল খজিক্তং হাইগৎলগা মাগী ভারাগী য়ূম লৈ। মানা অমুকসু হায়বীরম্মী - "জিতেন, শৈরেং থোংবা (শরেং থোংবনি, বেঙ্গলীদা নৎত্রগা লোন অমদা বরো মাস হায়বরা হিন্দিরা অমদি ওইরমনি) দেট ইজ কুক বাই মণিপুরী বর্ম্মন-মালেমদা অমুক্তা থেংনখিদ্রি অসুক হাওবসি।" শরেং থোংবা ঐগ্যাগী চাউরপ তৌবা খাবৈদু অহুম্লক হাপহল্লি। মরিরক শুরকপদদি মখূৎ অদু খনখি। হাপকে য়াদে। মানা অমুকসু হায় - "শৈরেংদো লৈরুরে, নমাদা, নবোক্তো থোংহল্লে চাবা শুকয়া য়াদে, নঙগী নুপীবুদি ঐ খঙই। শৈরেং থোংবা ফজনা হৈ, চাখ্রেকো। শৈরেং থোংবদা নখোয়গী অঙকপা মেজিক অমা য়াওরি।" মহাক্লা হঞ্জিন হঞ্জিন হায়বিরম্মী। মৈতৈ নুপী, মৈতৈ নুপী স্পোর্টসতবু ওইরো, লাইরিক্তবু ওইরো, শূবা-নোম্বদবু ওইরো অদুগা নুমিদাংদা মৈরা পায়বী, নিশা বন্দ অঙকপনি।

ইজরিবা ঐহাকসু ফোরেন কন্ত্রিদা কোয়রুদ্রগসু ইন্দিয়াগী মফম অয়াম্বদা চৎচরুরে। কৈথেলদা নুপীনা পোৎ য়োনবসি কয়া থেংনজরক্তে। নুপাগী নুপা ঙাক্তা। নুংশিহিদাক, ফদিগোম ফাওবদা ফলা থাঙ্গৎলগা গ্রামদা ওল্লকখি। ঙাসুনি, শা-শুনি অশেম্বা মতুম মতুম অদু গ্রামদা, কিলো তঙ্খায় ফাওবা লৌবা য়াই। মখোয়গী পীফম থোকপা মমল অদু পীরম্লগা লোইরে। শোমদনা মাগী মাগী নুপী, মতু কৈথেলদা থাদোকখ্রগা ময়ূমদা, লৈকায়দা ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাদুনা, ঙাওদুনা লৈথোকপসি অদুক্কী মতিক মশীং য়াম্না থেংনজরকপদুদা নুংঙাইতবা ফাওজে।

শোমদনা অমুক কমদৌবা! মৈতৈ নুপী, মৈতৈ নুপী উরুবদা থেংনরুবদা কিজবা অমদুম ফাওজিল্লক্লে। কন্দাইদগীনোনেহে, নোংমা থেংনরুরে য়ুরাংবীগী য়ু য়োনফমদা। কৈথেল ফম্বী নুপীনি। মানা হংখি - "এঞ্জাংদু লোইরব্রা য়াংখৈগীরা, চান্মগীরা হাপ্পকউ।" ঐনা নাকন্দা লৈশিল্লি। মরমদি ঐ উখ্রবদি মা শোয়দনা ইকায়রনি খন্দুনা। ৱা লোইরেহে, মানা চিংখিবদু ষ্টিল গ্লাস অমা থনকোক তৌবদুনি। য়ুনি। খূৎচিং অমুক্তা লোইশিনখি। অদুগা করিমত্তা তৌবা শাদনা এঞ্জাংসু লৈদনা চৎখি। অঙকপনি, মণিপুরদা য়ু থকপা নুপী ধমাদা লৈরে। লৈকায়, লৈকায়দা ওফিসর ওইরিনি, শেঞ্জাও পায়বনি কায়দনা লৈরিবশিং (পূন্নমক্তি নৎচদেকো) য়ু য়াম্না থকপা য়াওরবনি। পার্টি পার্টি বিয়রনিদি হায়রগা হ্বিস্কি অদুম য়াল্লন্মদৌনি। য়ু নত্তবীদা মণিপুরদা খৈনি চাবা, তলব চাবা, হান্না রাজা হৌজিক্লা সাজন খৈনি চাবা নুপী কয়ামুক য়াম্না লৈরবগে হায়বদা য়াম্না শাথিনা চারে অসিনি হায়জনীংলিবসি। অদুগা জর্দা ক্বা, মৌদগী লৈশাবীদগী জর্দা এক শো বিচ, ব্লেক, শাট চাবা মশীংসি নুপাদগী নুপীনা অসুক্কী মতিক মশীং য়াম্না হেনখ্রে থাজবীয়ু। মৈরা পায়বীসু ক্বা জর্দা চাবা অদুমক য়াওবনি। চান্মগী মনুংদা মরিফুদি নুপীনা ক্বা জর্দা চায় হায়বসি য়াবিনীংদবরা? অদোম অদোমগী ইমুংদা অমুক্তং য়েংবীয়ু, থিগৎপীয়ু। মখোয়শিংদুবু ঐনা চৈবা, শিথজবগী ৱাফমদি নৎচদে। অদুবু ঐদি তশেংনা নুংশিজে, ইকায়খুম্নজে - মৈতৈ নুপী, মৈতৈ নুপীগী থৌনা লিংজেল মালেমগী মফম অমত্তদা লৈতে। ●

# ঐখোয়গী খুন্নাই চাওখৎহনবদা মীৎয়েং অমা -১৬

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

থৱায় পানবা খুদিংনা হিংবদা ঈশিং য়াওদ্রবদি য়াদে। মথৌ তাবা চাং খেন্নবগী মতুংইন্না য়াম্বা য়ামদবা হায়বদুনা অমনি। খুদম, ঈশিংদা হৈনবা থৱায় পানবশিংগীদি ঈশিং মশাগী মনাৎ ওইবনা ঈশিংগী চাং য়াম্না অদুম মথৌ তাগনি। মালেমগী ওইনা লৈরিবা ঈপাকশিং (সমুদ্র-ওসিন, সি) দা লৈরিবা অচৌবা ঙাশিংগী হিংনবগী মচিঞ্জাকসু লৈনবসু ঈশিং মনুংদা লোয়না মথৌ তাবনা হিংবদা ঙমগদবা হায়বদি মরম অমনা মোৎশিন্দবা ঈশিং ওইবা তাবনি। মহৌশা লাইরেম্বীগী খুদোল ওইবা মথৌ তাবসি মালেমদা লৈরিবা ৱাখল লৈরে, চাওখৎপা, নুংঙাইবা পাল্লিবা মীওইবা ঐখোয়না খূৎশেমগী ওইবা পোৎশক মখল মখা কয়া অমা নাকোয়ননা তুরেলশিংদা, হকথেংননা ঈপাকশিংদা থাদ-হুন্দোক্তুনা-লংথদুনা হিংবদা ৱাগদবা ফীভমশিং লেপ্তুনা ওইহনবসিনি য়াম্না চেকশিন্নীংঙাই ওইরিবদি। নোংথক্তনা অমুক অচৌ অচৌবা পোৎ পুথোক্লিবা শিন্নাইফমশিং (ফেক্টরিশিং) দগী অমদি মালেমগী অচৌ অচৌবা চাওখৎপা মফমশিং (সহরশিং) শম্ননবা পাইরিবা মখল মখাগী মমাঙঙৈ দোলাই অপাইবী হায়নরম্বা (হৌজিক্তনা এরোপ্লেন মখলশিং); নোংথক্কী চাংয়েং তৌনবদগী থোকহল্লকপা হুগী মশক ওইবা য়াবশিং; মহৈ মরোং চাং য়াম্না পুথোক্লবা হোৎনবদা হাপ্লিবা হার মখলশিং; লায়না-তীলনা কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্নবা পুথোরক্লিবা খূৎশেমগী ইনওর্গানিক কেমিকেলশিং; হুগী মশক ওইবা মৈখু ওইনা পুথোরকপা পোৎশকশিং - ময়ামশিংসি নোং চুরকপা মতমদা হায়রিবা হুগী মশক ওইবা পোৎলমশিং লোইনমক ঈশিংদা খরনা তুমখ্রগা, তুমদবা কয়ানা ঈচেলদা নৎত্রগা ইতুংফম ওইনা লৈরিবা মফমশিং - ৱাটর বোদিশিং হায়বসিদা অরোইবদা তুংশিল্লগা লৈগদৌরিবনি। হায়রিবশিংসিদি চাং নাইনা নোং চুবা থোক্লগা, করিগুম্বা মতমদা ঈশিং ঈচাও থোকপদা ওইবা ফীভমদুনি। অদুবু মতম নাইনা নৎত্রগা ইখঙ খঙহৌদনা ঈপাক অচৌবা লান্না শিৎলকপা নোংলৈ নুংশিৎকা শাগোন্নবা অকনবা - খোঙজেল য়াঙবা সাইক্লোনিক রেইনশিংনা থোকহনবা অমাঙ অতাগী মহয়দি মী, শা-ষণ য়াওনা অশি-অনা কয়া থোকহন্দুনা হান্নগী অচম্বা ঈশিং ঈচাওদগী শরুক কয়া হেন্না অকিবা পীরিবনি। মরমদি অয়াঙবা নুংশিৎ অমদি অচৌবা নোংলিক্লা অশোনবা য়ূম কয়া, উপাল-ৱাপাল কয়া, মী য়াওনা শা-উচেক হুমদোকপা, মৱ্দ ফুকপা, শিহনবা কয়ানা ঈশিং ঈচাওদুদা লূপশিন্দুনা লৈবদগী পৎথ-পুমথবা য়াওদুনা মহিক-মতাই, ফত্ত-হৌদি কয়া পৈশিন্দুনা লৈরম্বদু মফম কয়াদা চেন্থোক্তুনা চাইখায়গদৌরিবনি। অদুদগীদি ঈশিংনা শন্দোকপা লায়না মখল মখল থোকহল্লিবনি।

মসিদগী ঙাকথোক্লবা অমদি থিংনবা অচুম্বা পাম্বৈদি ঈশিং ইতুংফম, তুরেলশিং, খোংলমশিং - মনুং হায়বদি খোংনুং ফজনা মতম মতমগী ওইনা থেনগৎহন্দনবা হাজনবা লৈঙোই, নুং অমদি ফুমজিন্দুনা লৈবশিং লৌখৎপা, মনুংদা হৌজিনবা মখল কয়াগী পাম্বীশিং ককথৎলগা ঈচেলদা অপনবা পীদনবা শেংদোকপগা লোয়ননা তোর্ব্বানগী শরুকশিংদা উচিনচিংবা লৈবাক হুৎপা অহিংবা মখলশিং লৈহন দনবা লুখাক-চগুম, অমোৎ-অকায় হুন্দোকপা ইশা-ইশানা থিংবা/তৌদবা অসিনচিংবনি। ঈচাও থোক্লিঙৈ অমদি কংথখ্রবা মতুংদা তুং কোয়না ঈশিং য়োকশিল্লগা, ঈশিংদগী ফংবা পোৎথোকশিং ঙা য়াওনা চাং নাইনা শেন্থোক লৈহন্নবা - লৌফম/পোৎ থাবা য়াবা মফমশিংদা - কম্যুনিতি কেনেল (অচৌবা খোংলম) কোয়না অমদি লৌফম খরগী মরক্তসু তৌবা কান্নগনি খল্লি। ঈশিং চাওরিঙৈদা কেনেলগী হাংবা-থিংবা য়াবা য়োৎকী মরৈনা তৌবা/শান্নবা য়াবা থোঙ চিংখৎপা নৎত্রগা থাদবা য়াবদু পাল্লবদি কান্নগনি খল্লি।

ঙসিদগী চহী চা কয়াগী মমাঙদা কংলৈপাক কৌরিঙৈদা পানখিবা মৈতিংঙু খরগী সনা হাক্তক্তা তৌখিবা থবকশিং ঙসিগী মীরোল ঐখোয়না হঙ্গৎনা য়েংলগা খঙজিনবা য়াম্না কান্নগনি। মসিবু তুংগী পোইরৈ খঙবা, মীৎয়েং শানবা হায়নরিবসিনি। মসিগী ময়েক লারবা খুদম খরা মখাগী অসুম্না থমজগে।

১) ইহান হান্না তুরেলশিং তুতৌ তুশেংবা অমদি তুরেল তৌবা হৌদোকপা :

মৈতিংঙু তাউথিংমাং (খৃ: ২৬৪-৩৬৪) গী সনা হাক্তক্তা তুরেলশিং তুতৌ তুশেংবা অমদি তুরেল তৌবা হৌদোকখি। মৈতিংঙু তাউথিংমাংগী ময়াম্বুং য়োইমোংবনা লৈবাক্কী অঙম অথৌশিংগা লোয়ননা তুরেল মৱ্দশিং কোয়না য়েংবা চৎপদা অৱাং কৌপ্রু (কৌব্রু) হারমদা লৈবা চীংদোল মতোন মায়য়োক ৪ (মরি) পানবা লোকশা ৩ (অহুম) শুবা ইখোংদা তোকঙাশাবা হায়বা অমগা থেংনৈ। তোকঙাশাবনা য়োইমোংবদা নচিন-ননাও অনীগী মতমদা তুরেলশিং তুতৌ ইশেংলবদি অফবা ওইগনি হায়না তাকপীখি। মরমদি হয়েং তুংলমচৎতা তুরেল তুরৈ শেংনা তুতৌবা ঙম্বা মী তাঙলক্লগনি। তুরেলশিং তুতৌ তুশেংবগী কান্নবদি - লৈবাক্কী ঈশিং তাঙলক্লবসু ঈশিং ফংদবগী অৱাবা খরমখৈ কোকঙমগনি। মসিনা কংলৈ পিবারেনগী মঙাল ময়েং তাগদবদগী কনগনি। ময়াম্বুংনা মফমদুদগী হনখ্রগা মনাও ইবুংঙো মৈতিংঙু তাউথিংমাংদা তোকঙাশাবনা তাকপীরকপা মরম পূন্নমক তম্ববু তারবা মতুংদগী মৈতিংঙু তাউথিংমাংদা তোকঙাশাবনা তাকপীরকপা মরম পূন্নমক তম্ববু তারবা মতুংদগী মৈতিংঙু তাউথিংমাংনা লৈবাক্কী অখঙ অহৈ, অঙম-অথৌগা তুরেল তৌনবগী ৱা তানরম্মী। শঙলেন মপু নোংদম্বা খারম থাদোইনসু য়োইমোংবা অমদি মৈতিংঙু তাউথিংমাংগী মফমদা তুরেল তৌহৌবনা য়াইফবা ওইহৌগনি হায়বদগী তুরেলশিংবু তুতৌ তুশেংনবা মৈতৈ ময়ূম পূম্বনা মাগী মাগী খোঙবু শেম্নদুনা চৎনখিরম্মী। য়োইমোংবনা লুচিংবা খোঙবুনা তুরেল অচৌবা (ইম্ফাল তুরেল) তুতৌ তুশেংলম্মী।

মৈতিংঙু তাউথিংমাংসু মথৌ অমা ওইনা তুশেংহৌগে খনবদগী অৱাং চীঙ্খৈরোমদা হাইগৎখিদুনা ঈরিল তুরেল মৱ্দ য়ৌরবা মতমদা নিংথিরবা তুরেলগী ঈচেল উবদা ঈখোং ফজনা শেমদুনা পুথরক্লবদি ঈশিং ৱাৎপা লৈররোই হায়বা ৱাখলদগী তুরেলগী তুরৈ তুশেংবা হৌরক্লম্মী। অসুম্না লেপ্পা লৈতনা তৌরকপনা চোথে থংৱাই ফুনাল তেলহৈবগী চীংদা ৱাইথুংলরে। ফুনাল তেলহৈবনা মৈতিংঙুদা মাগী লমদা তুরেল তৌদুনা শেংবা য়ারোই হায়বদা মৈতিংঙু তাউথিংমাংনা নমদুনা তুরেল তুতৌ তুশেংনবা হোৎনরকপদা নিংঙাই শংদানরকপদগী খূৎ থোক্লরকপদা ফুনাল তেলহৈবগী তেন্না মৈতিংঙু তাউথিংমাংগী পুক্তা পানবদগী ঈরিন তুরেলদা ঈনা পুমঙাং ঙাংনা খোইরিন লিশাং থোক্লা তাউথরকপদু ময়াম্বুং য়োইমোংবনদি তুরেল অচৌবা তুতৌ তুশেংবদু লেপ্তুনা মনাও ইবুংঙো মৈদিংঙু তাউথিংমাংবু ঙাইদুনা লৈরিঙৈদা উরম্মী। য়োইমোংবনা মনাও ইবুংঙোবু ঈপাকথক্তগী লৌখৎতুনা লায়কন্নবদা ৱাখল তারকপা মতমদা ময়াম্বুংগী মতম্পাক্তা লৈরল্লে। মৈতিংঙুনা ময়াম্বগী মফমদা থোকখিবা থৌদোক পূম্বা তল্লম্মী।

মৈতিংঙু তাউথিংমাংনা ঈনা পুমঙাং ঙাংনা তাউথরকই হায়বা মফম অদুবু 'ঙাংলৌ' হায়না কৌরম্মী। মৈতিংঙুবু শোকপা মফম অদুদি ইরিল অমদি ইম্ফাল তুরেল অনীগী ইতিন্নফমনি, মদুদগী মফম অদুবুনা 'লিলোং' হায়না কৌনখি।

হৌজিক্তি ইরিল অমদি ইম্ফাল তুরেল অনীগী ইতিন্নফম ঈরোং অহুম ফাংবদুগী অৱাং থংবা হিদেন মপাদা ইনাৎলোয়শিংনা - অদুঙৈ ময়াং মচা শান্তিদাস গোসাইগী মৱা লৌবদগী পামহৈবা নিংথৌনা নমদুনা হিন্দু লাইনীং লৌহন্নবা নোংখ্রং পাম্বী পায়হন্দুনা ইনাৎ লাইনীং থাদোক্লে হায়না শরি ৱাশকহন্দুনা নমদুনা ঈরুপহনখিবদু নৌনা লিল্লোংগী ঈরোং মপাসিদা ইনাৎলোয়শিং মশানা য়ানীংনা মীরম হিন্দু লাইনীং ঙসিদগী থাদোক্লে হায়না 'নোংখ্রং ঈহনবগী ঈরুপ্পগী থৌরমশিং' থাগী তৎনদবা, নুমিৎ থবান ফবা/থানিলদা লেপ্তুনা পাঙথোক্লরক্লি। মফমসিদা নত্তনা অতৈ মফম কয়াদা খুদম ওইনা, জিরি তুরেলদা, কছারগীদা লেপ্পা লৈতনা পাঙথোক্লেরি। ইনিংথৌ ওকেন্দ্রনা ইহান হান্না নোংখ্রং ঈরুপ্তুনা পরৈ হনবসি খৃ: ১৯৭৪গী ফেব্রুৱারী ৬, ফাইরেন থানিল য়ূমশকৈশ নুমিৎতা অইবা চেরোল পাথোক্তুনা হৌখিবগীদমক পরৈহনবা ইনিংথৌ ওকেন্দ্রজিৎ হায়না খঙনখি। হৌখিবা চহী ৪৫সিগী মনুংদগী ঈনাৎ লাইনীংদা মশক থোক্লা অহোংবা লাকপদগী ইরম লাইনিংদা হঞ্জিল্লকপগী ঈহৌ অসুম অসুম কনশিল্লকখি।

২) চীংনুং হুৎপা অমদি লোক্তাক্কী ঈশিং থিংবা : মৈতিংঙু তাউথিংমাং ময়াম্বুং য়োইমোংবা মচিন মনাওনা মতম খরা তুতৌ তুশেংবা লেপ্লুরবা মতুংদা ইম্ফাল তুরেলবু লেপ্পা লৈতনা খা মায়কৈরোমদা তেংথরকপদা হাওখা লোকখা (শুগনু অমসুং অদুৱাইগী লম) হায়বা লম অমদা মতমদুদা য়ূম্নাক চাম্মা লৈবা খুন অমদা থুংলম্মী। মফমদুদা লৈরম্বা খুঞ্জাশিংদু ককয়েন মীঙম্বা হায়দনা চাউরবা উচেক (অদুঙৈ খৃ:গী মমাঙদা পানখিবা কাংবা নিংথৌগী মতমদা নিংথৌগী মনাই ওইবা মী অশিবা মশা ফাওবা পুদুনা চৎপা ঙম্বা ককয়েন মীঙম্বা হায়বা মতিক ময়াই লৈবা উচেকসি ওইরম্বা ওইরমদবা হায়বদি খঙদে। সি কিনবদগী কনামত্তা মপান থোকপা ফাও ঙম্নরমদবদু য়োইমোংবা অমদি মৈতিংঙু তাউথিংমাং মচিন মনাও অনীনা লাং থাক্তুনা ফারগা হাৎলম্মী। কয়ামুক চাউগে হায়বদা উচেকসিগী মসা অমনা চীংনুংহুৎতা থিংলগা অতোপ্পা মসা অমনা লোক্তাক্কী ঈশিংবু চেন্থোক্তুনা কংখিগদবদগী থিংদুনা থমই হায়বদগী মফম অদুবু 'ঈথিং' হায়না কৌরম্মী।

৩) থিংবা কারোং : মৈতিংঙু নাউখম্বা (খৃ: ৪১১-৪২৮) না পানবা মতমদুদা নোং কন্না চুমনবদগী ইম্ফাল তুরেলগী ঈমায় পাথোকপদগী লৈবাক অসি থা অহুমলোম ঈথুম্বদগী লৈবাক মীয়াম অকিবা ফংনা ৱারম্মী। মৈতিংঙু পাউখম্বনা শঙলেন মপু নোংদম্বা লৌরাংচাম্বা অমদি লৈবাক্কী অঙম অথৌ ময়াম কৌখৎতুনা ঈথুম্বগী ৱা তানবদা, মৱ্দ নোংদম্বা লৌরাংচাম্বনা কারোং লমদগী হৌদুনা মরাম চীংশাং তম্না লৈতৌদুনা ঈখোং ফজনা শেম্লগা কারোং লমদা পলথিংলবদি ঈথুম্বা কোক্কনি হায়না মৈতিংঙু নাউখম্বগী মফমদা হায়রম্মী।

মৱ্দ লৌরাংচাম্বনা হায়বদু মৈতিংঙু নাউখম্বনা য়াবদগী লৈবাক মীয়াম হুপ্পা পলঙাকপা পলথিংবা চৎলম্মী। অঙোম নিংথৌ ৱামৈ লান্থাবনা নোংমাই ৱারোক চীংদোলদা পানবা থাংয়ি খোংজ্রোম্বগা খূৎপু ওইনা পলথিংবা চৎলম্মী। মৈতিংঙু নাউখম্বনা থাংয়িজ্রোম্বগী থা ৫ নাওপুরবী নুপী মুন্দুনা লৌখ্রবা মতুংদা থাংয়ি খোংজ্রোম্বনা মাগী মরোয় নোংবান কানাবা চুম্মৈশংগী মতেংদগী পেনু লৈমা লৌরগা চীংজেন নারান পাঙ্গলবা অমদি তাউবুং খোং তৌবা কৌবা মচানিপা অনী পোক্লম্মী। চীংজেন নারান পাঙ্গলবনা অঙাং মতিক মপা নত্তনা মপাবুংগী পলথিংবা য়াওবদা মীয়াম পূন্নমক্না অঙকপা ফাওরম্মী। লৈবাক মীয়াম চংনা লৈতৌ লৈথোন্না পলথিংখিবা মফম্মু 'থিংবা কারোং' হায়না খঙনখি।

৪) ইম্ফাল তুরেল থৈবা : খৃ: ১৫৬৭তা মৈতিংঙু মুংয়াম্বনা চকপা পুংপুন্দা লান্তাবদা লান ঙম্লবা মতুংদা ইম্ফাল তুরেলনা ঈহৌরকপা মতমদা কংলাদা হেক হেক থেংবসি নুংঙাইতবদগী ইম্ফাল তুরেল হান্না কোইরেঙ্গৈ চীংয়া, লুৱাংশংবম, লাঙ্গোল চীংগী নোংপোক থংবা চীংয়াদা চেল্লকপনা চীংমৈরোংগী চীং অনীগী কারক ফাওনা চেল্লক্তুনা কংলা মনুং ফাওনা চেল্লম্বসি - মৈতিংঙুনা কোইরেঙ্গৈ চীংজিন্দগী মাইবখুন হৈঙাং, লাইরিকয়েংবম লৈকায়, মিনুথোংদা তারক্তুনা হৌজিক্কী কংলা নূংজেং ঈকোনবগী নোংপোক্তা থৈদুনা পুরম্মী। তুরেল থৈবা অসিবু চৈথারোল কুম্বাবদা নোংচেং পাৎ থৈএ হায়না ই। অদুগা কংলৈ শঙলেন পুবা পুয়াদনা ইম্ফাল তুরেল থৈবগী ই। চীংমৈরোং চীং অনীগী কারক্তগী অৱাংলোমদা খরা হাইগৎলগা অৱাং চাওখোং হিতেন (ইরেন) হায়বা য়াম্না লুবা লাইফম লৈ।

অরোইবদা থমজনীংবা ৱাফমদি ইরমদমগী মৈতিংঙুশিংনা তুংগী য়াম্না শাননা উবা ঙম্বা মীৎয়েংগী মখাদা মশাগী হৈশিংবা ৱাখল অমদি পাঙ্গল শীজিন্নরগা ইম্ফাল তুরেল (তুরেল অচৌবা) অমদি ইরিল তুরেলগী মতাংদা তৌখিবা থবকশিংদুগী য়ামখিদ্রবা শরুক মচেৎ অমা ফাওবা হৌজিক্কী চাওখৎলবা মতমগী ফর ফরবা খূৎলায় কয়াসু মতিক চানা লৈরবা মতমসিদা ফাওবা পাঙথোকপা লৈত্রি। ঙমসু ঙম্লোই। খুদম ওইনা পল্লবদা - শগোলবন্দ, পাৎশোই, কৈশামথোং অমদি নাওরিয়া পাখংলাকপা এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সি মরিসিগী লম মচেৎ ফাওনা চেল্লিবা পিকখ্রবা খোং 'ৱাইশেল মরীন' হায়রিবসি ফাওবা মওং মরীল তানা শেম্বা ঙমজদবসি মৈতিংঙুশিংগী মমাঙদা ইকায় ফিরুক খুমনীংঙাইনি। ●